ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

এম পি সী সীগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন)সু ওইরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ইন-চার্জ এ বাদ্রুর রহমননা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২ সী এম ওদা তেংবাঙনবা পুরকখিবা

মহৈ পাল্লক্তদবা উ পাম্বীশিং খুৎশিন্নখ্রে
☛ লামায় ২

ফেসবুক্তা কারন তৌরুবা মীওই অমা জেলদা থাজিনখ্রে
☛ লামায় ৩

তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটশিংনা মীওই ৫৭৩ রোম পুশিল্লকখ্রে
☛ লামায় ৫

অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী মতাংদা শীরকখিবা মরাল যুম্ফম য়াওদবনি
☛ লামায় ৬

চুড়াচান্দপুরগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা লৈরিবা পেসেন্টশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্যুনিটি দিভেলপমেন্ট সোসাইটিনা লেপ্তুনা চথরকপগী মনুং চন্না ওর্গানিক লফোইশিং খুৎশিন্নবা

Vol. 45, Issue No. 074 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২৯ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 09, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### সী এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): কারোংএ সীগী এক্স-এম এল এস হেনরি পাওতৈনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি। কুমজা ২০০২দা এসেমব্লীগী মেম্বর ওইরমখিবা মহাক 'দি হিলস টাইম' পাউচেগী এদিটর ওইবনি হায়রি।

### ভেক্সিন কাপ্পুবী নুপী অনী শিরে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপ্পুবী খাঙবোক পার্টৱান খুল্লাকপম লৈকায়দগী নাওরেম নিংঙোল লাইশ্রম ওংবী কিরনবালা (৩৭), মপুরোইবা এল শরত কৌবী মৌনহা অমা নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা কোক ঙাওবা য়াওনা মশা নুংঙাইরক্তে হায়দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলুবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এ সী অমা শেমখিবগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### পুলিসকী এস আই ১ সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মোটবুং পুলিস আউট পোষ্টকী কম্মান্দর ওইবা সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস লেংঙিনথাং মিসাও থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়রি। মহাক থা অসিগী ৭কী নুমীদাংদা মহাক্না মীচম অমদা চথুখিবা অরানবা থবকশিংগীদমক সস্পেন্দ তৌবনি হায়রি।

### কারনা থোম্বদা শিরে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দগী মশাগী চহী ৭১ রোম শুরবা চুংখাম ইবোতোম্বী কৌবা অহল অমা ঙরাং নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা মশামক্কী লৈকায়মক্তুদা খোঙনা চৎলিঙৈদা কার অমনা থোল্লম্বদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৫৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৯২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৯৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Kapthoktaba yadraba vaccine lemna pigani hairaga thengtharibasi hidak masing suna leitabagini haibada aranba oigadra ?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Covid-19 gi second wave maiyoknaringeida thokhanningdaba thoudok sing thoraktanaba leingakna hotnafam thoktabara?

Yes 89% No 11%

**অস! লোইরেহে!**

- ঐনা নোংম-নোংমগী থোক্ল-থোক্লবা ঙাংলিবা ময়ামসিবু তাবা য়ারিজাৎলা?

- ꯑꯩꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃ-ꯅꯣꯡꯃꯒꯤ ꯊꯣꯛꯂ-ꯊꯣꯛꯂꯕ ꯉꯥꯡꯂꯤꯕ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯕꯨ ꯇꯥꯕ ꯌꯥꯔꯤꯖꯥꯠꯂꯥ?



- খঙদে সার, ঐখোয়নবু ঙাংলবদি মীনা খুবাক পঙখুদা খুই।

- ꯈꯉꯗꯦ ꯁꯥꯔ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯕꯨ ꯉꯥꯡꯂꯕꯗꯤ ꯃꯤꯅꯥ ꯈꯨꯕꯥꯛ ꯄꯉꯈꯨꯗꯥ ꯈꯨꯏ꯫

অনাবশিং লায়েংবীদবা অমসুং লায়েংমল হেন্না লৌবগী ৱাথোক

## গভর্ণমেন্টকী ওর্দর ইন্দবা হোস্পিটালশিংগী মথক্তা হায় কোর্টনা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): হৌজিক মণিপুরনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী খম থেংলবা চৈথেং মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা লৈঙাক্কী য়াওনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা রোদ এক্সিদেন্টতা শোকপা য়াওনা পেসেন্টশিংবু লায়েংবীয়ু য়াদবা অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদগী লায়েংমল য়াম্না হেন্না লৌরে হায়বগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর ইন্দবা হোস্পিটালশিংগী মথক্তা চৈরাক পীনবা অকনবা এক্সনশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

হৌজিক মায়োক্নরিবা পেন্দমিক অসিগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অদু ঙসি কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবনি।

কোর্ট অসিদা গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবশিং য়াওনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্টতা শোক্লবা মীওইশিং য়াওনা অতৈ লায়নানা নাবা মীওইশিং ফাওবা এদমিট তৌদুনা লায়েংবীয়ু হায়বা য়াদ্রে হায়বগা লোয়ননা কোভিদ-১৯না নাহল্লবা পেসেন্টশিংদগীনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা লায়েংমল য়াম্না কা-হেন্না লৌরে হায়বগী মতাংদা ৱাকৎলকখিবা মীওই অদুগী মমিং খ্বাইরাকপম তোম্বা কৌই। নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর- ৩ দগীনি। মশামকসু এদভোকেট অমা ওইরিবা পিটিস্নর অসিনা মহাক্কী ৱাকৎ অদু পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মে ১৭, ২০২১দা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল অদু কোর্টনা পি আই এল নম্বর- ২৯ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎলগা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা লিষ্ট তৌদুনা খন্নরকখিবনি।

পিটিস্নরনা ফাইল তৌরকপগা পন্থদনা মথংগী নুমীৎ মে ১৮দগী হৌরদুনা থা অদুগী ২৭তসু মহাক্কী পি আই এল অসি লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়ননা পিটিস্নরনা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না মরী লৈনরিবা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের লোয়শঙগী সেক্রেটরি/কম্মিস্নরদা মতম-মতমগী ওইবা ইন্সত্রক্সনশিং পীদুনা অনাবা মীওইশিং মরুওইনা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং লৌখৎহন্দুনা লাকখিবনি।

অদুগা ঙসিসু মেট্টর অসিমক চীফ জষ্টিসনা লুচিংলিবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর কে ঐচ তোম্বগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহুনা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল অনীগী মায়কৈদনা এদিসনল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি। ঙসিগী ওইনা কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলদুনা পীখিবা ওর্দরদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট ওইনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন অসিনা কোর্টতা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অনীনি। অহানবা পিটিস্নরগী গ্রিভান্সেসনা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং খক্তদা প্রাইওরিটি পীগদৌরিবনি হায়দুনা এক্সিদেন্টনচিংবদা শোকপা অমসুং অতোপ্পা শাথিরবা লায়নাশিংনা নাহনবদগী ইমর্জেন্সি মেদিকেল ক্যের মথৌ তাবা মীওইশিংবু লায়েংবীয়ু হায়বা য়াদ্রে। হায়বসিনি।

পিটিস্নরগী অনীশুবা গ্রিভান্সনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা অৱাংবা লায়েংমলগী ফিশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## পেন্দমিক অসিবু লৈঙাক্না হকচিন্না মায়োক্নদ্রে : গোবিন্দাস

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট বি জে পি লৈঙাক্না মীয়াম-গীদমক কোভিদ পেন্দমিক অসিবু হকচিন্না মায়োক্নদ্রে হায়দুনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোক্লদুনা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা কোভিদ মিস মেনেজমেন্ট তৌরে হায়খ্রে।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, কোংগ্রেসনা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ পেন্দমিক অসিগী মায়োক্তা থেংনরি। পার্টিগী মায়কৈদগী এম্বুলেন্সশিং, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর, চান-থক্নবা পোৎলমশিং অমদি রিলিফ মেটরিএলশিং মীয়ামদা য়েন্থোক্লি হায়বগা লোয়ননা ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক্তসু পেন্দমিক অসিগা মরী লৈনবা সজেসনশিং পীবগা লোয়ননা দিফেন্স রিসার্চ এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)দা ষ্টেট অসিগী কোভিদ দেদিকেটেদ হোস্পিটালশিং য়াওদনা ফমুং ১০০০ লৈবা লায়েংশঙ অমা লিংখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রে হায়রি।

কোভিদ পেন্দমিক্কী অহুমশুবা ৱেভ মীয়ামগীদমক য়েংদুনা মায়োক্নবগীদমক কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী দি আর দি ওদা ফমুং ১০০০গী কোভিদ হোস্পিটাল অমা লিংখৎনবা হায়জখিবা অদুগী মতাংদা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরদা অমাঙবা লৈব্রা হায়বা ৱাফমসু থল্লক্লি।

লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা দেল্লী অমসুং ষ্টেটকী বি জে পি গভর্ণমেন্ট অনীমক্তা থমখিবা ৱাফমশিংগী পোজিটিভ ওইবা পাউখুম অমত্তা ফংদ্রি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা কোভিদ মিস মেনেজমেন্ট তৌরব্রা হায়না খল্লে হায়রি। মার্চ ৩০, ২০২০দা চীফ মিনিষ্টরনা লংথবালদা ফমুং ২০০ লৈগদবা ইমর্জেন্সি কোভিদ হোস্পিটাল অমা কোভিদ পেন্দমিক্কী ফর্ষ্ট ৱেভ মনুংদা শাগৎলগনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু হৌজিক্তি কুমজা ২০২১ য়ৌরক্তুনা পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরক্লবসু অসিগুম্বা হোস্পিটাল লৈত্রি। করিগুম্বা হায়রিবা হোস্পিটাল অদু ফর্ষ্ট ৱেভ মায়োক্নরিঙৈ মনুংদা লৈরম্লবদি হৌজিক মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্লগনি হায়খি।

মসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু সেকেন্দ ৱেভতগী কলহৌনবগীদমক ফর্ষ্ট ৱেভতগী করিমত্তা খঙহৌদ্রে হায়বসিনি। থৌওং অসি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎকদবা থবকশিং ফেল ওইরে হায়বনি। লোয়ননা কোভিদ মিস মেনেজমেন্ট তৌবা নৎত্রা হায়বনি। সেকেন্দ ৱেভ অসিদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লৈরিবা অচৌবা অশোয়বা অসি ঙাকপীফম থোক্তে হায়নসু খল্লি হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগী মায়কৈদগী লৈবাকসিদা ফ্রী য়ুনিভর্সেল ভেক্সিনেসন পাঙথোকপনা পেন্দমিক অসিবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## জেলদগী য়ু টি পি ৯ ইন্টরিম বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা 'আর্নেস কুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ বিহার'গী মতাংদা পীখিবা রুলিংগী মতুংইন্না হৌজিক লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্নরিবা সেকেন্দ ৱেভ অসিগীদমক য়েংলদুনা শুপ্রতগী চহী ৭ ফাওবদংগী ফাদোক পীবা য়াবা জেলদা থল্লক্লিবা অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনর (য়ু টি পি)শিং থাদোক্নবা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনসু খাবৈশোয়দা লৈরিবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদগী অসিগুম্বা মখলগী য়ু টি পি ৯ ইন্টরিম বেলদা থাদোকখ্রে।

য়ু টি পিশিং অসি সুপ্রীম কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সন অদুগী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মকোক থোংবা থৌপুবশিং য়াওনা মরী লৈনবা তোপ ওফিসলশিং শরুক য়াদুনা শেমখিবা হায় পৱার কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরকপগী মতুংইন্না ইন্টরিম বেল পীখিবনি।

য়ু টি পিশিং অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা চার্জ তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী মতাংদা মরী লৈনরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমদি জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসশিংগী মায়কৈদগী ইন্টরিম বেলশিং গ্রান্ট তৌরবা মতুংদা মদুগীদমক পীবা বোন্দশিং ফর্নিস তৌরগা থাদোকখিবনি।

ইন্টরিম বেলদা থাদোকখ্রবা য়ু টি পি পুম্নমক হৌজিক ষ্টেট অসিনা মায়োক্নরিবা পেন্দমিক অসিগীদমক য়েংদুনা ইম্পোজ তৌরিবা কর্ফিয়ু অমদি কন্টেনমেন্ট জোননচিংবগী অথিংবশিং লৈবদগী মাগী মাগী মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনা ময়ুম-ময়ুমদা থিনখিবনি। মীওই ৯ অসিগী মনুংদা ইকোন কোনবা য়ু টি পি অদুনা ঙসি পুলিস পার্টিনা ময়ুমদা থিনখিবনি হায়রি।

ইন্টরিম বেল পীখ্রবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা কেস লৌখৎখিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা চুড়াচান্দপুর, পোরোম্পাৎ, ককচিং, পাৎশোই, লিলোং, য়াইরিপোক অমদি সিংহাট পুলিস ষ্টেসনশিংনি। মখোয় ৯ অসি সেপ্টেম্বর ১১, ২০২০দগী হৌরক্লগা চৎলিবা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১ ফাওবগী মনুংদা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থল্লখিবনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৯০৮ শুরে, এক্টিভ কেস মশীং ৯,১৪১ লৈরি, মীওই ৪৬,৫২৭ ফগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা মার্চ, ২০২০দগী হৌরদুনা হৌজিকফাওবদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৯০৮ শুরে। মসিগী মথক্তা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লৈখিদবা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৯,১৪১ শুরকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪৬,৫২৭ শুরে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল থোরকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৭৪৮ থেংনখি। পোজিটিভ কেসশিং অসি লোইনমক জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী ঙাক্তনি। মখোয়গী মনুংদা নুপা ৩৬৯ অমসুং নুপী ৩৭৯ নি। অদুগা পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ২২, জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৫১১ অমসুং অতোপ্পা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা পোজিটিভ কেস মশীং ২০৬ থেংনখিবনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখ্রিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১৬২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২০৫, থৌবাল ১২০, বিষ্ণুপুর ৬৩, ককচিং ৫২, উখ্রুল ২, চুড়াচান্দপুর ৬৬, চান্দেল ১৭, সেনাপতি ৭, তমেংলোং ৭, তেংনৌপল ১৭, কাংপোকপী ৬, কামজোং ২, ফেরজোল ৪, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টরনা এন ঐচ আই দি সী এলগী থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)না ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং চীফ মিনিষ্টরনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা ভিদিও কন্ফরেন্সিংগী খুথাংদা রিভিয়ু তৌবগী মীটিং অদুদা রেভিন্যুগী কম্মিস্নর আর কে দিনেশ অমসুং অতৈ ওফিসলশিং অমদি প্রোজেক্টশিং অসিবু পায়খৎলিবা মফমশিংগী মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, এন ঐচ আই দি সী এলগী ওফিসলশিং অমসুং মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদকী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

রিভিয়ু মীটিং অদুদা এন ঐচ আই দি সী এলগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর রজিৎ সুদকী মায়কৈদগী মখোয়না তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী থবকশিং পায়খৎপদা মায়োক্নরকপা ইস্যু অমদি প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউদমখি। চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মরী লৈনবা দি সীশিংনা অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা পাউতাক পীখি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী মিসন ওরিএন্টেদ প্রোজেক্টশিংগী শরুক অমা ওইরিবা থবকশিং অসি থিন্থদনা লোইশিন্নবা খঙহনখি।

## এমসু হেদক্বার্টরগী কেম্পসতা গ্রেনেদ পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা মাঙজিল থাবা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী কেম্পসতা হেন্দ গ্রেনেদ অমা পোকখায়খ্রে। অদুবু মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওহৌদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈরিবা এমসু হেদ ক্বার্টরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি নুমীদাং পুং ৭.২০ লোম তারকপদা থোকখিবনি হায়রি। হেন্দ গ্রেনেদ অদু কনানা করিগীদমক মফম অসিদা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট ফংবা ঙমখিদ্রবসু থৌদোক অদুগী পাউ তাবগা পন্থদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিমশিং চঙশিল্লক্তুনা য়েংশিল্লখি। লোয়ননা গ্রেনেদ অদুবু লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক নুমীদাং অথেংবা ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা মীওইশিং অফা-অপুন তৌবগী পাউ লৈখিদে।

থৌদোক থোকফমদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, কে মেঘচন্দ্র মশামকসু লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। অদুম ওইনমক মশক খঙহৌদ্রবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা অদুনা এমসু হেদ ক্বার্টরগী কেম্পস মনুংগী মফম অমদা পোকখায়খিবা নত্তনা থৌদোক অদুদা অশোক-অপনদি অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

## কোভিদ ভেক্সিনেসনগী চার্জ হেন্না লৌবশিং এক্সন লৌনবা খঙহল্লক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভতগী ঙাকথোক্নবগীদমক হৌজিক মীয়ামদা কাপ্পিবা হিদাক মখল অহুম অসিবু প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংনা মীয়ামদা কাপ্পদা মসিগীদমক লৈঙাক্না লেপ্লিবা খ্বাইদগী ৱাংবা চার্জশিংদগী হেনগৎনা লৌরকপশিংগী মথক্তা অকনবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎননবা খঙহল্লকখ্রে।

ৱাফম অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এদিসনল সেক্রেটরি বিকাশ শীলনা ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্কী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/সেক্রেটরি (পব্লিক হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের)শিংদা এদ্রেস তৌদুনা থোকখিবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা ভেক্সিনেসন পাঙথোকপদা অহেনবা মমল লৌবা য়ারোই হায়রক্লিবা হিদাকশিং অদুনা কোভিসিল্ড, কোভাক্সিন অমসুং স্পুটনিক-৫নি হায়রি। হিদাকশিং অসিগী মেন্যুফেকচররশিংনা লাউথোকখিবা মমলশিংনা মথংশিংনা লুপা ৬০০, লুপা ১২০০ অমসুং লুপা ৯৪৮নি। হিদাকশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## হোম গার্দ লিশিং ২ রোমগী থা ২গী দ্যুটি এল্লাওৱেন্স পীরমদ্রে চীফ মিনিষ্টরদা পীথোকপীনবা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সকী থবকশিং খক্তদা নত্তনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্স (সী আই-ওপস) ফাওবদা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরকপদগী হেন্দোরক্তুনা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদসু ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং ওইনা নোংমদা পুং ২৪ (রাউন্দ দি ক্লোক) শীজিন্নরক্লিবা মণিপুর হোম গার্দসকী মেম্বর লিশিং ২ রোমগী পীথোকফম থোকপা থা ২গী দ্যুটি এল্লাওৱেন্সশিং মণিপুর লৈঙাক্না পীথোক্তুনা লৈরম্লে।

অয়ুক-নুংথিল অমসুং নুমীদাং খাক্তনা দ্যুটি তৌল্লিবা হোম গার্দ পর্সনেলশিং অসিগী পীথোকফম থোক্লবা দ্যুট এল্লাওৱেন্সশিং পীথোক্তনা লৈবগী মতাংদা মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মকোক থোংবা থৌপুবশিংনা হায়, হৌজিক মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী মশীং অসি ২১৩৮ রোমনি। অদুবু হৌজিক পেন্দমিক্কী মতম অসিদা 'কোল আউট' তৌদুনা শীজিন্নরিবা মেম্বরশিংগী মশীংনা ২০০০গী ময়াদনি। অপূনবা টোটেল ষ্ট্রেঙ্ক অসিগী মনুংদগী এবসেন্ট ওইদুনা দ্যুটিদা জোইন্ট তৌরদবা মেম্বরশিং খায়দোকখ্রগা ২০০০ রোমদি পুং ২৪ মথৌ পাঙথোক্লিবনি। মখোয়গী ফংফম থোকপা দ্যুটি এল্লাওৱেন্সশিংনা থা ১দা লুপা ১৮,৬৮৯নি হায়রি।

অদুবু মফম অমদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংগা পুন্না অমসুং তোৎশিন্নদুনা মথৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## হায় কোর্টনা আই সী য়ুগী য়াওনা হোস্পিটালশিংগী বেদ, পেসেন্ট অমসুং ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীং মীয়ামদা খঙহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অমদা ষ্টেট অসিগী হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা ওক্সিজেন সপ্লায় তৌবগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম-মতমগী ওইনা য়ামদ্রবদা নুমীৎ হুম্নী-হুম্নীগী ওইনা টেব্যুলেটেদ ফোর্মদা শেমদুনা হোস্পিটাল খূদিংমক্তা লৈরিবা ফমুং মশীং, আই সী য়ুগী ফমুং মশীং, হোস্পিটালশিং অদুদা এদমিট তৌরকপা পেসেন্টশিংগী মশীং অদুগা লায়েংশঙশিং অদুদা মথৌ তারিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরনচিংবগী মশীংশিং গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল পুম্নমক্কী ওইনা মীদিয়াগী খুথাংদা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়খ্রে।

চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিগী ওর্দর অসি হায় কোর্টতা মণিপুরগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক ওক্সিজেনশিং মরাং কায়না অমসুং শরক শিহন্দনা ফংহল্লু অমদি ষ্টেট অসিগী লৈরিবা হোস্পিটাল পুম্নমক্তা আই সী য়ুগী বেদশিং মতিক চানা থম্মু অমদি ওক্সিজেন প্লান্টশিং খরগসু হেন্না লিংখৎলু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি।

পি আই এল অদু মে ৭, ২০২১দা উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়দগী নরেশ মাইমোম কৌবা পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পি আই এল অসিনা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লকখিবনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি, মণিপুর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫